# ইন্দিয়াগী ইলাইট এঠলেটেশিং লোকদাউন মতুংদা ট্রেনিং তৌবা য়ারগনি : রিজিজু



*ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা চথরিবা লোকদাউন অসি লোয়শিনখ্রবা মতুং দা ইলাইট এঠলেটেশিংনা মখোয়গী ট্রেনিং সেসনশিং চখবা য়ারগনি হায়না ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

অনীরকশুবা ওইনা লোকদাউন অসি চখখ্রবা মতুং কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবগী থৌরাং ওইনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহুম্নকশুবা ওইনা লোকদাউন অসি মে ১৭ ফাওবা শাংদোকখিবনি। লোকদাউন অসি শাংদোক্ত্রিঙৈদা মমাঙদা স্পোর্টসকী এক্টিভিটিজশিং হৌনবা থৌরাং তৌরম্লবনি।

লোকদাউন অসি মপুং ফানা লৌথোকখ্রবা মতুংদা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ট্রেনিং সেন্টরশিংনা লৈবাক অসিগী ইলাইট এঠলেটেশিংনা ফেজ খাইদোক্লগা ট্রেনিং তৌবগী খুদোংচাবা পীরগনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা লৈবাক অসিগী এঠলেটেশিংগী হেল্‌ঠনা য়াম্না মরু ওই। মরম অসিনা স্পোর্টসপার্সনশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংনা হাথু–হাথু থবক লৌখৎলোইদবনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

পটিয়ালাদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী নেসনেল সেন্টর এক্সিলেন্সতা লৈরিবা ইলাইট ৱেঠলিফটরশিংগা ইন্টরেক্ট তৌখিবদা রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এঠলেটশিংগী ট্রেনিং সেসনশিং হৌনবা থৌরাং তৌরি। ট্রেনিং সেসনশিং অসি হৌরকপদসু শান্নরোইশিংনা হেল্‌ঠনা অহানবা প্রাইওরিটি ওইনা থমগদবনি হায়না সজেসন পীখি।

স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই)গী সেন্টরশিং অসি হৌখিবা মার্চ থাগী ময়ায় থংবা শরুক্তগী হৌরগা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্কী অকিবা লৈবদগী থিংজিন্দুনা লাক্লি। রিজিজুনা হৌখিবা মে ৩ দা ফোঙদোকখিবদা এঠলেটেশিংগী ট্রেনিং কেম্পশিং অদু মে থা লোয়শিল্লকপদা ফেজ নাইনা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়খিবনি।

স্পোর্টস ইভেন্টশিং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী মতুং ইন্না পীবা রিলেক্সেসন্দা য়াওদ্রি। স্পোর্টস ইভেন্টশিং অসি ইসেন্সিয়েল সার্ভিসকী মনুং চন্দে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ড এঠলেটশিংনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কেম্পসতা ট্রেনিং তৌবগী অয়াবা পীবিনবা হায়জরকখিবা লৈখ্রে। অদুবু মখোয়গী দিমান্দশিং অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পীদ্রি হায়না রিজিজুনা মখা তাখি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদা কোন্ট্রেক্ট স্পোর্টস ইভেন্টশিং ওইরিবা বোক্সিং অমসুং রেষ্টলিং মশান্নশিংগী ওইনা ট্রেনিং হৌহনবিনবা হায়জরকপা লৈখ্রে। অদুবু মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ইভেন্টশিং অসিগী ট্রেনিং হৌনবগী অয়াবসু পীখিদ্রি। কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসি খূৎ শোক্লবা ফাওবদা শন্দোকপগী ওইথোকপা লৈরিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এন এস এফ ৫৪ রিকোগনিসন পীখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ*

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসন ৫৪ দা রিকোগনিসন পীখ্রে অদুবু গভর্ণিং বোদি অনী পেরালিম্পিক্স কম্মিটি অমসুং রোৱিংদি রিকোগনিসন পীবদা য়াওখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা নৌনা রিকোগনিসন পীরিবা ফেদরেসনশিংগী মনুংদা ওল ইন্দিয়া কোরোম ফেদরেসনসু অমনি। অদুবু পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া (পি সি আই), রোৱিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (আর এফ আই) অমসুং স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস জি এফ আই) রিকোগনেসন পীরকখিদবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পি সি আই অমসুং আর এফ আইনা নেসনেল স্পোর্টস কোদ ঙাক্লা চৎতবদগী সস্পেন্দ তৌবনি অদুগা সুসিল কুমারনা লুচিংবা এস জি এফ আইনা বোদি অসিগী চৎন–কাঙলোনশিং ঙাক্তে হায়দুনা দিরিকোগনাইজ তৌখিবনি হায়রি।

এন এস এফশিংদা রিকোগনিসন পীবা অসি মমাঙদদি চহীগী ওইরম্বনি। অদুবু হন্দক্কী ওইনদি সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী ওইনা রিকোগনিসন পীখিবনি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা ৱাহং কয়া হংলক্লি। অদুবু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পাউখুম পীবা লৈখিদে।

মতম তেনশিল্লিবা অসি নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংদা গভর্ণমেন্টনা চহী ওইনা পীরিবা ফন্দিং অসি নুমিৎ খূদিংগী শীজিন্নবশিং অদু মেনেজ তৌবদা নুংঙাইনবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ওলেম্পিকক্সতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবনা ঐহাক্কী খ্বাইদগী চাওবা পান্দমনি : সোনিয়া লাথর

*ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ*

ওলেম্পিকক্সতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াবনা ঐহাক্কী খ্বাইদগী চাওবা পান্দম্নি, মসিনা ঐঙোন্দা অচৌবা থৌনা অমা পীরি হায়না ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর সোনিয়া লাথরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া লাথর টোকিও ওলেম্পিক গেমস হৌজিক ফাওবগী ওইনা ক্কালিফাইদ ওইদ্রি। ঐহাক্না ওলেম্পিকক্সতা শরুক য়াবগী পান্দম অদু ফংনবা অকনবা মওং দা হোৎনরি। ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াবগী পান্দম অসিনা লোকদাউন মনুংদা পূক্নিং থৌগৎলি হায়না সোনিয়া লাথরনা মখা তাখি।

ঐহাক্না লোকদাউনগী মতম অসিদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরকপা দাইরেক্সন অমসুং ইন্সষ্ট্রকসনশিংগী মতুং ইন্না ট্রেনিং চখরি। ঐখোয়দা লাইভ সেসন পীদুনা মেন্টেল অমসুং ফিজিকেল্লি ফিট ওইনবা থৌরাং তৌরি।



লোকদাউন মনুং ওইবনা ঐহাক্না লম্বা তৌনবা পার্টনর অমত্তা লৈতে অদুবু ঐহাক ইথন্তগী ওইনা অকনবা ট্রেনিং চখদুনা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনরি হায়না সোনিয়া লাথরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

আর্জুনা এৱার্দি সোনিয়া লাথরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পেন্দেমিক অসি ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্নবা মথৌ তাই। মরম অসিনা ইন্দিয়ান খূদিংমক্না য়ূমদা লৈদুনা সেফ ওইনবা সোনিয়া লাথরনা রিক্কেস তৌখি।

কোভিদ–১৯ না মরম ওইরগা টোকিও ওলেম্পিক গেমসসু কুমজা ২০২১ দা য়ৈথোকখ্রে। ইন্দিয়াগী এঠলেটেশিংনা সোনিয়া লাথরনা পূক্নিং থৌগৎতুনা মায় পাকপা পূরক্লবা পাউজেল পীখি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা ঐখোয় ইশা–ইশানা মোটিভেট তৌবা মথৌ তাই। ওলেম্পিক ক্কালিফাইদ ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী এঠলেটেশিং অমসুং ক্কালিফাইদ ওইনবগী থৌরাং তৌরিবশিংসু মায় পাকপা ওইনবা সোনিয়া লাথরনা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর সোনিয়া লাথর কুমজা ২০১৭ দা টাসকেন্টতা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৫৭ দা সিলভর মেডল ফংখি। মহাক কুমজা ২০১৬ দা অষ্টানাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তসু কেজি ৫৭ গী কাঙলূপ্তা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

# ওনলাইন নেসন্স কপ চাইনানা লৌখ্রে, ইন্দিয়া ৫শুবা তাখ্রে

*চেন্নাই, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ*

টোপ সিদেদ ওইরিবা চাইনানা ওনলাইন নেসন্স কপ চেছ টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে, ইন্দিয়াগী টিম য়াম্না শোত্থনা ৫শুবা পোজিসন তাহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চাইনা অমসুং য়ু এস এ লম্বা তৌনখি। ফাইনেল মেটচ অসি পোইন্ট ২–২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখিবদগী চাইনানা টেবলগী মকোক ওইদুনা ওনলাইন নেসন্স কপ চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা হেভিৱেঠ ওইরিবা চাইনাগী দিং লিরেন ( ই এল ও ২৮৩৬) অমসুং য়ু এসকী হিকারু নাকামুরা (ই এল ও ২৮২৯) ৩৮শুবা মুভতা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি। অনীশুবা শান্নখিবা গেমদা চাইনাগী হৌ য়িফান অমসুং য়ু এসকী ইরিনা ক্রুস দ্রো চৎখি।

অহুমশুবা গেমদা চাইনাগী য়ু য়াংয়িনা য়ু এস এগী ৱেসলি সোবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট মাঙজিল থাখি। মরিশুবা অমসুং অরোইবা গেমদা য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনানা চাইনাগী ৱৈ য়িবু ৪৩শুবা মুভতা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল মেটচ অসি পোইন্ট ২–২ দা মান্নরগা দ্রো চৎখিবনি।

রাউন্দ রোবিন ষ্টেজ অসি মায় পাক্তুনা চাইনানা টোপ প্রাইজ অদু ফংবা ঙমখি। নম্বর ৱান সিদেদ চাইনানা লীগ টেবল অসিদা রাউন্দ ১০ গী মতুং দা মেটচ পোইন্ট ১৭ অমসুং বোর্দ পোইন্ট ২৫.৫ ফংবা ঙমখি। অনীশুবা পোজিসন তাখিবা য়ু এস এনা মেটচ পোইন্ট ১৩ অমসুং বোর্দ পোইন্ট ২২ ফংখি।

ফিদে চেছ দোট কোম ওনলাইন নেসন্স কপ অসিদা টিম ৬ না লম্বা তৌনখিবা কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী টিম য়াম্না শোত্থনা ৫শুবা পোজিসন তাহৌখিবনি। ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবশিং অদুদি বিস্বানাথন আনন্দ, ভিদিট গুজরাথি, পি হরিকৃষ্ণ, বি আধিবন, কোনেরু হম্পী অমসুং দ্রোনাভালি হরিকানি।

# দাইনামো ব্রেষ্টনা দাইনামো মিনস্কবু ২–১ দা থোইদুনা বেলারস প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলগী ৬শুবা মফমদা হাইগৎখ্রে



*মিনস্ক, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ*

বেলারসকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বেলারস প্রেমিয়র লীগকী ৮শুবা রাউন্দগী মেটচতা দাইনামো ব্রেষ্টনা দাইনামো মিনস্কপু গোল ২–১ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী ৬শুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মালেমগী মফম কয়াদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা শান্নবগী ইভেন্ট কয়া য়ৈথোক্তুনা লাকখ্রবসু বেলারসকী নুপাগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বেলারস প্রেমিয়র লীগতি মখা তানা চখরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌরকপদগী য়ূম্বু টিম ওইরিবা দাইনামো ব্রেষ্টকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনিটতা দাইনামো ব্রেষ্টকী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা দাইনামো মিনস্ককী শান্নরোই কার্লো ব্রুকিকনা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা দাইনামো ব্রেষ্টনা য়াম্না ঙন্না গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা দাইনামো মিনস্ককী শান্নরোইশিংনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা অনৌবা লাল্লোং কয়া শীজিন্দুনা শান্নরকখি। মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

শান্নবগী ২৪শুবা মিনিটতা দাইনামো মিনস্ককী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা আইগোর সিটোভনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট দানিলোনা গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক গোল ১–১ দা মান্নহনবা ঙমদুনা য়াম্না লম্বা মান্নবা ফিভম অমদা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা এটেক কয়া লেপ্তনা চখরকখি। অদুবু মায়কৈ অনীগী শান্নরোইশিংনা গোল ওন্থোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফংনখিদবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোয়শিনখিবা ফাওবদা গোল ১–১ দা মান্নদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা য়ূম্বু টিম ওইরিবা দাইনামো ব্রেষ্টকী শান্নরোইশিংনা য়ূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা এটেক লেপ্তনা চখরকখি। শান্নবগী ৫১শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা রোমান য়ুজেপচুকনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট দেনিস লেপটেভনা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অমুক হন্না মখোয়না মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা দাইনোম ব্রেষ্টকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। দাইনামো ব্রেষ্টকী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেকশিং অদু দাইনামো মিনস্ককী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙমহন্দনা থমখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোয়শিল্লক্লবা ফাওবদা গোল শোত্থরিবা দাইনামো মিনস্ককী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপগী খুদোংচাবা ফংখিদবদগী মেটচ অসি দাইনামো ব্রেষ্টনা গোল ২–১ দা থোইদুনা মেটচ ৮ শান্নবা লোয়শিনখিবদা পুন্না পোইন্ট ১৩ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা লৈবাক অসিগী নুপীগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বেলারস ৱুমেন'স প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা দাইনামো বি জি য়ু ফেমনা নেপর মোগিলেভপু গোল ৭–০ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা দাইনামো বি জি য়ু ফেমগী শান্নরোই সিম্পোরনা গোল ৪ চনবা ঙমদুনা মেটচ অসি য়াম্না চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। সিম্পোরনা শান্নবগী ১৯, ২৬, ৩৭ অমসুং ৪২ শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা মেটচ অসি গোল ৪–০ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী চাওনা খুদোংচাবা ফংখি। মায়োক্লবা টিম নেপর মোগিলেভকী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনিটতা দাইনামো বি জি য়ু ফেমগী অতোপ্পা শান্নরোই এ স্লাপাকোভানা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৫–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা দাইনামো বি জি য়ু ফেমগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লৈরকখি। শান্নবগী ৬১শুবা মিনিটতা দাইনামো বি জি য়ু ফেমগী শান্নরোই ভি কাজাকেভিসনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৬–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৮শুবা মিনিটতা দাইনামো বি জি য়ু ফেমগী শান্নরোই কে ওলখোভিকনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৭–০ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং নেপর মোগিলেভকী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি দাইনামো বি জি য়ু ফেমনা য়াম্না হেনবা মওংদা গোল ৭–০ দা থোইখি।

# ইব্রাহিমোভিস ইটালিদা হল্লক্লগনি

*মিলান, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ক্লব এ সি মিলানদা শান্নরিবা জলাটান ইব্রাহিমোভিস ইটালিদা হল্লক্লগনি।

জলাটান ইব্রাহিমোভিস ইটালিদা থুংলবা মতুং ক্লব অসিগী ট্রেনিং সেসন দা য়াওদ্রিঙৈ চয়োল অনীগী ওইনা ক্কারেন্টিনদা লৈগনি। ইব্রাহিমোভিস হৌজিক মহাক্কী মরদম স্বিদেন্দা লৈদুনা ফিটনেসকী ট্রেনিং চখরিবনি।

ইটালিগী ক্লব এ সি মিলানদা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শরুক য়ারিবা জলাটান ইব্রাহিমোভিস স্বিদেনদা কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন থমদ্রিঙৈদা লৈবাক অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী ফুটবোল টিমশিংনা পুন্না চখখিবা প্রেক্টিসতা শরুক য়ারম্বনি।

মশাগী চহী ৩৮শুবা শুরবা ইব্রাহিমোভিস মহাক্কী শান্নবগী কেরিয়রগী অরোইবা চহী ওইনা শরুক য়ানবগীদমক ইটালিদা লাক্লবগী থৌরাং তৌখ্রবনি। মিলান অমসুং অতোপ্পা ইটালিয়ান লীগকী ক্লবশিং ইন্দিভিজুয়েল ট্রেনিং হৌখ্রবনি। অদুগা ফুল টিম ট্রেনিংদি লাক্কদৌরিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

**GOVERMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF AGRICULTURE : MANIPUR**

-------

**CORRIGENDUM**

9th May, 2020

No. AGM-1/526/SMAM/2020-21 : This is a referenced to Deparment of Agriculture, Manipur Notification no. No. AGM-1/526/SMAM/2020-21 dated 6th May. 2020. It is to clarify that department website read as www.agrimanipur.nic.in should be read as www.agrimanipur.gov.in.

Inconveneince is regretted.

Sd/-
**( I. Akendro Singh )**
Nodal Officer
(SMAM)

*SL/6052/12*

## টেবাসনা লা লীগা জুন ১২ দগী হৌবদা থাজবা থল্লি

*মাদ্রিদ, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লৈরিবা স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লাক্লিবা জুন ১২ দগী হৌবদা থাজবা থল্লি হায়না লা লীগাগী প্রসিদেন্ট জেভিয়র টেবাসনা ফোঙদোকখ্রে।

লা লীগা পাঙথোকপা য়াবগী ফিভমদা লাক্লে। মরম অসিনা শান্নরোইশিংনা লীগ অসি হৌরকপদা য়াওবা য়ানবা মথৌ তাবা থবকশিং মাঙজৌননা পাঙথোক্লবা ৱাফমসু টেবাসনা থমখি।

টেবাসকী মায়কৈদগী লীগ টুর্নামেন্ট অসি জুন থাগী ময়ায় চনশিল্লকপদা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি। কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিগী ফগৎলক্লবদি ফাষ্ট দিভিজন অমসুং সেকেন্দ দিভিজনশিং মতম অমত্তদা লোইশিনবগী পান্দম থল্লি। ঐখোয়না নুমিৎ ৩৫ নিগী মতুংদা সিজনশিং অসি লোয়শিনবগী পান্দম থল্লি। মরম অসিনা নুমিৎ খূদিংগী মেটচশিং শান্নগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, স্পেনগী টোপ দিভিজন অনীগী শান্নরোই ৫ কোভিদ–১৯ পোজিটিভ ওইখি। রিজল্ট অসি ঐখোয়না খল্লম্বা ৱাখলদগী য়াম্না হন্থখি। ঐখোয়না লায়চৎ অসিবু য়াম্না হন্থনা লৌরোইদবনি। মরম অসিনা শান্নরোইশিংনা লা লীগা অমুক শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা ক্লিয়ারেন্স অদু পীগদবনি।

পনবা য়াই, স্পেনগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা হৌখিবা মার্চ থাদগী সস্পেন্দ তৌদুনা লাকখিবনি।

# খেল রত্ন পেরালিম্পিয়ান দিপা মালিক পোত্থাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ১১ (এজেন্সি)ঃ*

খেল রত্ন এৱার্দি পেরালিম্পিয়ান দিপা মালিক নেসনেল স্পোর্টস কোদকী গাইদলাইশিং ইন্দুনা পোত্থারে হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে। দিপা মালিক হৌজিক হৌজিক পেরালিম্পিক কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (পি সি আই) প্রসিদেন্টকী ফমসু পায়রিবা মীওইনি।

দিপা মালিক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইলেক্সনগী ওইনদি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পি সি আইদা চিঠি পীশিনখ্রে। হায় কোর্টগী ৱারেপ অদু ঙাইরি হায়না মহাক্না হায়খি। হৌজিক্তি পেরাস্পোর্ট অমসুং মসিগা মরী লৈনবা থবকশিংদা মায় ওনশিনবা মতম য়ৌরে হায়না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিয়ান দিপা মালিকনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা পেরা এঠলেটশিংবু শেমগৎনবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

দিপা মালিকনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেসনেল স্পোর্টস কোদগী মতুং ইন্না এক্টিভ এঠলেট অমনা ফেদরেসন অমগী ওফিসিয়েল পোষ্ট পায়বা হায়বসি য়াদে। মরমশিং অসিদগী মহাক্না শান্নবগী কেরিয়রদগী পোত্থাখিবনি। মহাক্না পোত্থাখিবগী খোঙথাং অসি লৈবাক অসিগী স্পোর্টসকী লৈরিবা রুলশিং অমসুং গাইদলাইনশিং অসি মপুং ফানা ইল্লি হায়বা তাকপনি।

ঐহাক্না ইন্দিয়াদা চৎনরিবা রুলশিং অসি ইনগনি। করিগুম্বা ঐঙোন্দা শান্ননবা মখা তানা খঙহল্লক্লবদি মহাক্কী ৱারেপ অসি কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমসকী মতাংদা লেপকনি হায়রি।



দিপা মালিক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না শান্নবগী পোত্থানবা ৱারেপ লৌখিবা অসি পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ ইন্দিয়াগী থবক থৌরমশিংদা য়েৎনদনবনি হায়রি।

মহাক্না এক্টিভ স্পোর্টসপার্সন ওইবদগী পোত্থারবনিনা লৈবাক অসিগী হৌগৎলক্লিবা পেরা এঠলেটশিংদা মায় ওনশিন্দুনা মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি হায়না দিপা মালিকনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৪৯শুবা দিপা মালিক্না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না শান্নবগী পোত্থাখিবগী ৱারেপ অসি য়াম্না খন্থরবা মতুংদা লৌখিবনি। ঐহাক্কী ওইনদি শান্নবগী লম্বী অসি মখা তানা চখবনি। অদুবু ফেদরেসনগী ফম অমা পায়খিবনা নেসনেল স্পোর্টস কোদকী গাইদলাইনশিং অদু ইন্দুনা চৎপগী মথৌ তাবদগী মশান্নদগী পোত্থাবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি হায়রি।

ইন্টরনেসনেল পেরালিম্পিক কম্মিটিগী মায়কৈদগীদি মহাক্না বোদি অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরবসু মশান্না শরুক য়াবদা অয়াবা পীখি। অদুবু ঐহাক্না নেসনেল স্পোর্টস কোদ ইন্দুনা চৎপা তাই। নেসনেল স্পোর্টস কোদগী মতুং ইন্না এক্টিভ স্পোর্টসপার্সন অমনা স্পোর্টস ফেদরেসনগী ওফিসিয়েল নৎত্রগা প্রসিদেন্ট ওইবদা অয়াবা পীদ্রি।

দিপা মালিক পেরা স্পোর্টসকী ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী ফ্লেগ বিয়ারর ওইনা শরুক য়াখি। মহাক মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ২৯ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংদা পীবা খ্বাইদগী চাওবা মনা রজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দ পীদুনা ইকাই খূম্নখিবনি। মহাক্না খ্বাইদগী থাক ৱাংবা স্পোর্টস মনা অসি ফংবা অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী পেরা এঠলেটসু ওইবা ঙমখিবনি।

দিপা মালিক্না ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী পেরা এঠলেট ওইনা পেরাম্পিক গেমসতা মেডল লৌবা ঙমখি। মহাক্কী কেরিয়রদা নেসনেল মেডল ৫৮ অমসুং ইন্টরনেসনেল মেডল ২৩ সু লৌবা ঙমখি। দিপা মালিক পদ্ম শ্রী অমসুং আর্জুনা এৱার্দসু ফংবা ঙমখ্রবী পেরা এঠলেট অমনি।

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 151/SDC/P of 2020*

1. Ngairangbam Madhurchand Singh S/o (L) Madhopchandra Singh of Khurai Chingangbam
2. Ngairangbam Hemchandra Singh S/o (L) Madhopchandra Singh of Khurai Chingangbam Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

Ngairangbam Madhopchandra Singh S/o Tomal Singh of Khurai Chingangbam Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Porompat,the 11th May 2020*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 24-Khurai Chingangbam Leikai গী Patta No. ---(অরিবা) 288/589 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 409/728 an area .065 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East

*SL/B/12*

ক্রোসৱার্দ ৫১৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | A | S | T | E | | A | B | L | E | | P | A | P | A |
| A | S | H | E | S | | G | A | I | N | | E | R | A | S |
| R | E | A | M | S | | U | S | E | R | | R | E | S | T |
| T | A | R | P | | | A | S | S | O | C | I | A | T | E |
| | | P | T | A | S | | | | L | O | O | S | E | R |
| E | V | E | | S | T | A | R | T | L | E | D | | | |
| P | I | N | | P | A | R | E | R | | D | I | N | G | O |
| I | S | E | E | | T | I | N | E | S | | C | O | I | N |
| C | A | R | A | T | | S | T | A | L | E | | I | N | C |
| | | | S | E | M | E | S | T | E | R | | S | S | E |
| A | L | P | I | N | E | | | | W | E | R | E | | |
| R | O | U | N | D | T | R | I | P | | | A | L | T | O |
| O | G | L | E | | R | I | D | E | | S | T | E | I | N |
| M | I | S | S | | I | C | E | R | | A | I | S | L | E |
| A | C | E | S | | C | H | A | T | | N | O | S | E | S |